# য়ু এস দি পিনা রখাইন অমসুং চিন ষ্টেটকী পার্লিয়ামেন্টরি সীটশিং চাউনা মায় পাকখ্রে

**য়াঙ্গোন, জন্যুৱারী ৭ (এজেন্সী):** ম্যান্মার মিলিটরিগী প্রোক্সি পার্টি অমা ওইরিবা য়ুনিয়ন সোলিদরিটি এন্দ দিভেলপমেন্ট পার্টি (য়ু এস দি পি)না রখাইন অমসুং চিন ষ্টেটকী পার্লিয়ামেন্টরি সীট অয়াম্বা ফংবা ঙমখ্রে।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৮দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পাঙথোকখিবা ম্যান্মারগী মীখলদা হুন্টাগী মায়োক্তা লৈরিবা ইথনিক গ্রুপশিংনা অথিংবা কয়া পীরক্লবসু য়ু এস দি পিনা এদভান্স ভোট অমসুং প্রোপোর্সনেল রিপ্রজেন্টেশন (পি আর) টেলিশিংদগী চাউনা কান্নবা ফংদুনা ষ্টেট অনী অসিগী অয়াম্বা সীটশিং ফংবা ঙমখিবনি। রখাইন ষ্টেটকী ওইনা টাউনশিপ ১৭কী মনুংদা ৩ খক্তমক মীখল পাঙথোকখিবদা য়ু এস দি পিনা সীট ১৯ মায় পাকপা ঙমখি। ম্যান্মার হুন্টা লৈঙাক্কী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা সিট্টৱে অমসুং ক্যোকফিয়ুগী মনোং টাউনশিপ অমসুং অর্বানগী মফম খরখক্তদা মীখল পাঙথোকপা ঙমখি। ষ্টেট অনী অসিগী লেমহৌরিবা টাউনশিপ ১৪দি ইথনিক অরাকান আর্মিনা খূদুম চনশিন্দুনা লৈখিবনা মীখল পাঙথোকখিদে। ষ্টেট অনী অসিগী টাউনশিপ ৩দা ফর্ষ্ট-পাষ্ট-দ-পোষ্ট (এফ পি টি পি) কন্টেষ্ট তৌনখিবগা লোয়ননা য়ু এস দি পিনা লাৱর হাউসতা সীট ৩গী মনুংদা ২ ফংবা ঙমখি। রখাইন নেশ্নেলিষ্ট পার্টি (আর এন পি)না লাৱর হাউস (পীথু লুট্টো)কী টিম অমখক্তমক ফংবা ঙমখি। অপ্পর হাউস (অমরুথা লুট্টো)কী ওইনা য়ু এস দি পিনা সীট ২ ফংবা ঙমখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা অরাকান ফ্রন্ট পার্টি (এ এফ পি)না সীট অমখক্তমক ফংখি হায়রি।

রখাইন ষ্টেট এসেমব্লিগী ওইনা য়ু এস দি পিনা সীট ২ ফংখি অমসুং এ এফ পিনা সীট অমখক্তমক ফংখি। রখাইন ষ্টেটকী সীটশিং পি আর সিষ্টম বেজগী মখাদা য়েন্থোক্লরবা মতুংদা টাউনশিপ অহুমগী ওইনা মীখলগী রিজল্টতা য়ু এস দি পিনা রখাইন ষ্টেটকী সীট ১৭কী মনুংদা ৯ ফংবা ঙমখি। আর এন পি অমসুং এ এফ পিনা সীট ৪/৪ ফংবা ঙমখি। অপ্পর হাউসকী ওইনা য়ু এস দি পিনা সীট ৬কী মনুংদা সীট ৩ ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা এ এফ পিনা সীট ২ অমসুং আর এন পিনা সীট ১ ফংখি।

য়ু এস দি পিনা রখাইন লেজিসলেচরগী ওইনা ইথনিক চিন এফেয়র্স মিনিষ্টরগী পোষ্টসু ফংবা ঙমখি। চিন ষ্টেটকী ওইনা টাউনশিপ ৯দা মীখল পাঙথোকখিবদা আর্মদ কনফ্লিক্টনা মরম ওইদুনা টেদিম অমসুং হাখা টাউন অনীদা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকপা ঙমখি।

চিন ষ্টেটকী টাউনশিপ অনীদা মীখল পাঙথোকখিবদা য়ু এস দি পিনা লাৱর হাউসকী সীট ২ ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা অপ্পর হাউসকী ওইনা য়ু এস দি পি অমসুং জোমি নেশনল পার্টি (জেদ এন পি)না সীট অমমম্ ফংবা ঙমখি। চিন ষ্টেট এসেমব্লিদা য়ু এস দি পি অমসুং জেদ এন পিনা সীট অমমম্ য়েন্নখি।

অপ্পর হাউস সীট ৬কী ওইনা পি আর এলোকেশনদা য়ু এস দি পিনা সীট ৪ ফংবগা লোয়ননা জেদ এন পিনা সীট ২ ফংখি।

সীট ৯ লৈবা ষ্টেট এসেমব্লিদা য়ু এস দি পিনা সীট ৫, জেদ এন পিনা সীট ৩ অমসুং চিন ষ্টেট কোংগ্রেস পার্টিনা সীট ১ ফংখি।

কুমজা ২০১০গী জেনরেল ইলেক্সনগী এদভান্স ভোটিংদা য়ু এস দি পিনা চাউনা মায় পাকখি। প্রো-দেমোক্রেসি পার্টিশিংনা মীখল বোইকোট তৌখিবনা কুমজা ২০১০গী জেনরেল ইলেক্সনদা য়ু এস দি পিগী মীরেপশিংদা চাউনা কান্নবা ফংখিবনি। ম্যান্মার হুন্টাগী চিন চীফ মিনিষ্টর ভাউন সুআন থাংনা হাখাদা লাৱর হাউসকী সীটতা মীখল থেংনখিবদা এদভান্স ভোটশিংদগী মপূং ফানা কান্নবা ফংখি। মহাক্কী এদভান্স বেল্লোট মশীং থীবদা পি আর সীট এলোকেশনগীদমক মথৌ তাবা মশীংদগী হেন্না ফংবা ঙমখি।

রখাইন অমসুং চিন টেরিটোরিদা চাদা ২০দি মীখল পাঙথোক্লবসু লেমহৌরিবা শরুকশিংদি রেজিষ্টেন্স ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌশিনখিবনা মীখল পাঙথোকপা ঙমখিদে। নেশনল অমসুং সব-নেশনল লেজিসলেচরশিংগী ওইনা চাদা ২৫ রোম ওইগদবা সীটশিং মীখল পাঙথোকখিবনা হুন্টা লৈঙাক্লা ষ্টেট লৈঙাক শেন্সবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।



# মরৱারী য়ুনিভর্সিটিদা রিজনেল কনফরেন্স পাঙথোক্কদৌরি

**ন্যু দেল্লি, জনুৱারী ০৭ (এজেন্সী):** গুজরাট লৈঙাক্না শিন্দুনা নহাশিংদা ক্বালিটি এদ্যুকেশন, থবক, ইনোভেশন অমদি স্কিল দিভেলপমেন্টকী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা মরৱারী য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ১১ অমসুং ১২ দা ভাইবরেন্ট গুজরাট রিজনেল কন্ফরেন্সেস (ভি জি আর সী) পাঙথোক্কদৌরি হায়রি।

কন্ফরেন্স অসিগীদমক য়ুনিভর্সিটি অসিনা গুজরাট লৈঙাক্কী এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টতা লুপা ক্রোর ১০০০ থাদরক্লবা হায়জখ্রে। ভি জি আর সী অসিদা জপান, সাউথ কোরিয়া, ভিয়েটনাম, নেদরলেন্দসনচিংবা লৈবাকশিং অমদি ৱর্ল্ড বেঙ্ক, রসিয়ান ফেদরেশন, আই সী বি সী নচিংবা ওর্গনাইজেশনশিংনা লোকেল টেলেন্টশিংগীদমক এভেন্যুশিং হাংগদৌরি।

কনফরেন্স অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা কম্যুনিটিশিংবু অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফঙহন্দুনা বিক্সিট ভারতকী ওইবা পান্দম অসি শৌগৎকদৌরি হায়রি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref. Misc. Case No. 01/SDC/NBL**

**/ NOTICE**

Date 07/01/2026

This is to notify that the pattadar Rajkumar Kalasana Singh, S/o (L) RK. Sanajaoba Singh a resident of Kakyai Langpok has applied for Land Record Computerization of pattaland at the Revenue Village No. 8-Kakyai Langpok under patta no. ...(old), 614 (new) covered by C.S. Dag No. 482, with an area of 1.65 acres of Anganphou Class.

The Jamabandi copy produced by the applicant is of the year 1976. As such any party having objection may raise the same at the undersigned office with a written application within 7 (seven) days from the publication of this notice.

Without which the applicant's petition will be fulfilled in accordance to relevant law/rules.

Sd/-
**B.C. to SDC/Nambol,** Nambol

HL-P/4721/08


## MS BRICK FIELD

TAOBUNGKHOK,
P.S.PATSOI,P.O.LANGJING

1. 1st class. 14.00
2. 2nd class. 13.00
3. 1st Reject. 12.50
4. 2nd Reject. 10.00
5. Jammat. 10.00
6. Peti. I. 11.00
7. Peti. II. 10.00
8. 3rd class. 6

Contact no. 6909236749
Block Machine

HL-B/11069/28


## MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

**/ADVERTISEMENT**

Dated, the 5th January, 2026

No.MU/6-9/2025/FCY/1151 : Applications on plain paper are invited for appointment of 1 (one) Guest Faculty on contract basis in the **Department of Computer Science**, Manipur University through **walk-in-interview** for a period of 6 (six) months extendable by another term. The University may, however, re-advertise for similar appointment, if necessary.

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:**
Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:** 16th January, 2026

**Time of Interview:** 1:00 p.m.

**Place of Interview:** Committee Room of the Vice-Chancellor's Secretariat, MU.

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Computer Science, Manipur University, Canchipur between **11a.m. and 12 p.m.** on the same day.

Sd/-Prof. M. Premjit Singh
Registrar

HL-B/11109/6&8/1

# ‘অচুম্বা এন আর সী য়াওদ্রবদি অচুম্বা ইলেক্সন লৈরোই’

**গুৱাহাটি, জনুৱারী ০৭ (এজেন্সী):** ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু) গী চীফ এদভাইজর সমুজ্জল ভত্তচর্য্যনা অচুম্বা অমসুং অপদেট তৌরবা নেশনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সী) য়াওদনা অচুম্বা ইলেক্সন লৈবা য়ারোই হায়রদুনা সুপ্রিম কোর্টকী সুপরভিজনগী মখাদা শেম শাবা এন আর সীনা বেজ দোক্যুমেন্ট ওইদুনা অচুম্বা ভোটর লিষ্ট পুথোক্কদবনি অমসুং হেন্না চুম্লবা এন আর সী শেম শানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# মোদিনা ঐঙোন্দা ‘সর’ কৌদুনা উন্নগে হায়জরকখি : ট্রাম্প



**ন্যু য়োর্ক, জনুৱারী ০৭ (এজেন্সী):** অমেরিকানা শাবা অপাজি হেলিকোপ্টরশিং ইন্দিয়াদা পীবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী পি এম নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পতা ‘সর’ কৌদুনা অমুক্তং উনজগে হায়জরকখি হায়না দোনাল্ড ট্রাম্প মশামক্লা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রাম্পনা হায়, য়ু এসকা অফবা মরী লৈনবা ইন্দিয়াগী পি এম মোদিনা হেলিকোপ্টর দেলিভরিগী মতাংদা ঐঙোন্দা সর কৌদুনা চানবীদুনা অমুক্তং উনবা ফংহনবীয়ু হায়রকখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগা য়ু এসকা অফবা মরী লৈরম্মী অদুবু হৌজিক্তী লল্লোন ইতিক্কী ওইবা পোলিসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অনিগী মরী মরায় চাইথরকপগা মরী লৈননা ঐনা তৌরিবা অফবা থবক অসি মোদিনা য়ানিংদবগী অমসুং হরাওদবগী মমি উবা ফংলে। অদুবু ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী থাউ লৈবগী চাং হন্থখিবদগী লৈবাক অনিগী মরী অমুক হন্না ফগৎলক্লবা লন্বী শেল্লি। তৌবতবু ইন্দিয়ানা য়ুক্রেনগী লান অসিদা মখা তানা রসিয়াদগী থাউ লৈদুনা শৌগৎলবদি অহেনবা টারিফ থল্লকপা য়াই হায়খি।

# ফোরেন পাৱরনা ভেনেজ্বেলা চল্লাইহল্লোই : ইন্টরিম লুচিংবা দেলসি

## ভেনেজ্বেলানা য়ু এসতা থাউ বেরেল মিল্লিয়ন ৫০ গী মথক্তা পীরক্লগনি : ট্রাম্প

**কারাকাস, জনুৱারী ০৭ (এজেন্সী):** য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পনা অথুবা মতমদা ভেনেজ্বেলাদা য়ু এসতা থাউ বেরেল মিল্লিয়ন ৫০ গী মথক্তা পীরক্লগনি, পীরক্তবা য়ারোই হায়না ফোঙদোক্লিঙৈ চৈরক্তা ভেনেজ্বেলাগী অনৌবা ইন্টরিম লুচিংবা ওইনা খনখ্রবা দেলসি রোদ্রিগ্বেজনা ফোরেন পাৱর অমত্তনা ভেনেজ্বেলাবু চল্লাইহল্লোই হায়খ্রে।

ইন্টরিম লুচিংবা দেলসি অসি হান্নগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মদুরোগী মখাদা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বনি। অদুবু মহাক্তী ট্রাম্পকা করম্বা মরী লৈনগদগে হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীয়াম্না চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মদুরো ফাখিবদু য়ু এস ফোর্সনা মীয়াম মাঙদা বোম খরা থাদদুনা দ্রামা তৌজরবসু ভেনেজ্বেলাগী আর্মদ ফোর্সনা নিকোলাস মদুরোবু য়ু এস ফোর্সশিংদা অয়েৎ অপন লৈহন্দনা খুৎশিন্নখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লরক্লি। অদুবু নাকল্ল অমরোমদনা য়ু এসকী ওপরেশন অদুদা ভেনেজ্বেলা অমসুং ক্যুবাগী ফোর্স ৫৫ গী মথক্তা শিখি হায়রি।

ট্রাম্পকী লাল্লোং অসি ভেনেজ্বেলাগা চাইনা, রসিয়া অমদি ইরানগা লৈনরক্লিবা মরী থদৎনবা অমসুং ভেনেজ্বেলাদা লৈরিবা থাউশিং অসি য়ু এসকা য়ানবা পুরক্তুনা অমেরিকান মার্কেটতা য়োলহন্নবা থৌরাংনি হায়নরি।

# য়ুক্রেনগীদমক য়ু এসনা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীগদৌরি

## ফ্রান্স অমসুং য়ু কেনসু লান্মীশিং থম্নবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

**কিভ, জন্যুৱারী ৭ (এজেন্সী):** রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা চথরিবা লান লোইশিন্নবগী থৌরাং অমগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা ট্রুস মোনিটরিং মেকানিজম খুমাঙ চাওশিন্দুনা য়ুক্রেনগীদমক সিক্যুরিটি গরেন্টি পীগদৌরি।

ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনসু রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা সিজফায়রগী য়ানবা লৈরবদি মখোয়গী লান্মীশিং য়ুক্রেনগী টেরিটোরিদা থম্নবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে। কোলিজন ওফ দ ৱিল্লিং হায়না মিংথোনবা সবমিট অমদা লৈবাক অনীনা য়ুক্রেনদা লান্মীশিং থম্নবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারকপা ঙাকথোক্লবগী থৌরাং অমা ওইনা লৈবাক ৩৫নসু য়ুক্রেনদা লান্মীশিং থমদুনা মতেং পাংনবগী ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখিবনি। লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা লুচিংবা ২৭না পেরিসতা পূন্না মীফম পাঙথোক্তুনা য়ুক্রেনগীদমক লাল লোইরবা মতুংদা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীনবগী ৱাফমশিং অমত্তা ওইনা য়ানখিবনি।

কুমজা ২০১৪দা য়ুক্রেনগী ক্রাইমিয়ন পেনিন্সুলাদা রসিয়ানা লান দাদুনা রসিয়াদা তিনশিনখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০২২দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা মপূং ফানা লান্দাবা হৌরকখিবনি।

ঙরাং পেরিসতা লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিংগা লাল লোইরবা মতুংদা য়ুক্রেনদা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীনবগী ৱাফমশিংদা অশানবা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীখলদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা য়ু এসনা লুচিংলিবা ট্রুস মোনিটরিং মেকানিজমদা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা শরুক য়াদুনা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীবগী থবকশিং হেন্না খুমাঙ চাওশিনহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট মেক্রোন, য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কি অমসুং য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর কৈর ষ্টার্মরনা য়ান-চেরোল অমা খূৎয়েক পীনবগা লোয়ননা য়ুক্রেনদা লান্মীশিং থম্নবগী ফ্রেমৱর্ক অমা হৌদোকখিবনি। লান লোইরবা মতুংদা য়ুক্রেনবু রসিয়ানা অমুক হন্না লান্দারকপদা ঙাকথোক্ন বগী থৌরাং অমা ওইনা পেরিসকী মায়কৈদগী মশীং য়াম্লবা লান্মীশিং শুংশোয় শোয়দনা থম্নবগী থাজবা প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা ঙরাংগী মীফম অদুদা মপূং ফানা থাজবা থমখি। শীংথানিংঙাই ওইরবা সম্মিট অদুদা য়ু এস এনভোয় ষ্টেভ ৱিটকোভ অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পকী সন-ইন-লো জারেদ কুশনর য়াওখিবগা লোয়ননা য়ুরোপতা লৈবা য়ু এসকী মকোক থোংবা লান্মীগী জেনরেল কয়াসু য়াওখিবগী মনুংদা এলেক্সস গ্রিনকেৱিচসু য়াওখি।

ঙরাং পেরিসতা পাঙথোকখিবা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীনবগী ৱারী শানবা মীফম অদুদা অহানবা ওইনা য়ু এস এনভোয়শিংনা শরুক য়াখিবনি। য়ুক্রেনগী লান লোইশিন্নবা থৌরাংদা রসিয়াগা ৱারী শানবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা য়ু এস এনভোয় ষ্টিভ ৱিটকোভনা সিক্যুরিটি প্রোটোকোলগী চৎন-কাঙলোনশিংবু মপূং ফানা ঙাক্তুনা থম্বগা লোয়ননা য়ুক্রেনদা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীবসি য়াম্নমক মরু ওই হায়খি।

য়ুক্রেনগী মীয়াম্না থেংনরিবা মিপাইবশিং তুং কোইনা লেপহন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা য়ুক্রেনদা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীবা য়াম্নমক মথৌ তাই হায়নসু ষ্টিভ ৱিটকোভনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR

**/ CONVOCATION NOTIFICATION**

Imphal, the 7th January, 2026

No. 3/55/2025-DMU/CVN:/1021 It is hereby notified for general information of all concerned that, the 1st Convocation of the University has been scheduled to be held on 17th January, 2026 at Science Ground, Dhanamanjuri University Campus. All **teaching, non- teaching staff and registered candidates** are therefore requested to attend the **Convocation and its rehearsal** as per the schedule given bellow:

| Date | Time | Activity |
|---|---|---|
| 14/01/2026 | 10:30 am | 1st Rehearsal and Collection of Lengyan |
| 16/01/2026 | 10:30 am | 2nd and Full Rehearsal |
| 17/01/2026 | 10:30 am | CONVOCATION day<br>All are informed to assemble by 10 am |

***1st Rehearsal and Full Rehearsal are mandatory for all teaching, non-teaching and registered candidates. Registered candidate(s) who have missed both the rehearsal will not be issued degree certificate on the day of Convocation.***

1. Candidates are informed to collect the **Original Certificate** from the respective certificate distribution counter after the Convocation.
2. Dress Code: ***Traditional Attire*** *(Preferably white/off-white colour shirt/top), no separate convocation gown will be issued.*

This is issued with the approval of the competent authority.

*Sd/-*
**Dr. R.K. Joteen Singh**
Registrar
Dhanamanjuri University

HL-B/11111/08 & 09

## BEFORE THE OATH COMMISSIONER (JUDICIAL) : MANIPUR AT IMPHAL

**/ AFFIDAVIT**

I, **Md Siraj Khan**, aged about 39 years, S/o. Md Abdul Samad a resident of Kiyamgei Makha, P.O.Kiyamgei & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur - 795 003 do hereby solemnly affirm and state as under:

1. That, I am a bonafide law abiding citizen of India by birth. This is true to the best of my knowledge.
2. That, as per my Aadhaar Card bearing No. 8542 8284 6821 issued by the Unique Identification Authority of India (UIDAI), my name has been recorded as Md Siraj khan and Voter Card bearing EPIC No. MFH0051516 my name has been recorded as Ithemcha. This is true to the best of my knowledge.
3. That, the above mentioned my names namely, Md Siraj Khan and Ithemcha pertain to only one and same person i.e. myself. This is true to the best of my knowledge.
4. That, I desire to make a correction of my name as Md Siraj Khan in the said Voter Card bearing EPIC No. MFH0051516 issued by the Election commission of India in order to avoid complicacies in future. This is true to my knowledge.

Verified at Imphal on this 13th day of August, 2025, that the contents of the above affidavit are true and correct to my personal knowledge and belief and nothing facts are concealed therein.

By:
Advocate

Kh. Khamba Singh
Oath Commissioner
Regd. No. 578/2025
Imphal West District, Manipur

Deponent Signature
**Siraj Khan**

HL-P/4714/08

## BEFORE THE OATH COMMISSIONER (JUDICIAL) : MANIPUR AT IMPHAL

**/ AFFIDAVIT**

I, **Mamtaj Begum**, aged about 69years, D/o. Md Abdul Samad a resident of Kiyamgei Mayai Leikai, P.O.Kiyamgei & P.S.Porompat, Imphal East District, Manipur - 795 003 do hereby solemnly affirm and state as under:

1. That, I am a bonafide law abiding citizen of India by birth. This is true to the best of my knowledge.
2. That, as per my Aadhaar Card bearing No. **6487 7463 0115** issued by the Unique Identification Authority of India (UIDAI), my name has been recorded as **Mamtaj Begum** and Voter Card bearing EPIC No. **MFH0054999** my name has been recorded as **Ibempisak**. This is true to the best of my knowledge.
3. That, the above mentioned my names namely, **Mamtaj Begum** and **Ibempisak** pertain to only one and same person i.e. myself. This is true to the best of my knowledge.
4. That, I desire to make a correction of my name as **Mamtaj Begum** in the said Voter Card bearing EPIC No. **MFH0054999** issued by the Election commission of India in order to avoid complicacies in future. This is true to my knowledge.

Verified at Imphal on this **3rd day of January, 2026**, that the contents of the above affidavit are true and correct to my personal knowledge and belief and nothing facts are concealed therein.

By:
Roshan Ara Gulistan
Advocate

Kh. Khamba Singh
Oath Commissioner
Regd. No. 578/2025
Imphal West District, Manipur

Deponent Signature
**Mamtaj Begum**

HL-P/4714/08

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI

**Ref :- Mutation Case No. 03/SDC/KBI** **Date 07/01/2026**

Khuraijam Shyam Meitei S/o (L) Khuraijam Daoji Meitei of Ithai Khunou - Petitioner

- Vrs -

Khuraijam Daoji Singh S/o Toyaima Singh of Ithai ... Opposite Party

**/ NOTICE**

Kumbi the 07th January, 2026

MLR & LR Act 1960 গী Section 46 (3) গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৩-ইথাইদা লৈবা পাট্টা নং ১৮১/৬৭ (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং ১৬৩ গী অপুনবা লম ২.৫০ একরগী মনুংদা নোংচুপ থংবদা ১.০১৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার লৈখিদ্রে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি পেটিস্নরশিংগী মিংদা মিং ওনবিরো হায়না কোর্ট অসিদা ৱাকৎলক্লে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদার অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অয়েৎপা পিরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector, Kumbi**

HL-P/4722/08

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref. Mutation Case No. 08/SDC/NBL of 2026**

1) Loitam Biren Singh S/o (L) L. Ibocha Singh of Waheng Khuman Mamang Leikai
2) - do - Kame Singh S/o (L) L. Ibomcha Singh of - do - - Petitioner

-Vs-

(L) Loitam Ibomcha Singh S/o L. Munal Singh of Waheng Khuman Mamang Leikai - O.P.

**/ NOTICE**

Date 07/01/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam, Patta No. 80 (O), 376 (N) Dag No. 2303 an area of 1.28 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্ পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **B.C. to SDC,**
Nambol

HL-P/4721/08

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 05/AS&SO/K** **Date. 05-01-2026**

1. Huidrom Ibotombi Singh S/o Late Nilamani Singh of Langmeidong Maning Awang Leikai
2. - do - Ibocha Singh S/o Late - do - of - do - - Petitioner

- Vrs -

Late, Huidrom Nilamani Singh S/o Late Gonjao Singh of Langmeidong

**/ NOTICE**

05/01/2026

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৭১-লাংমৈদোং পাটা নং ৮৮১, ১২১৩/৪৯৭ অনৌবা দাগ নং ১১৭৫ এরিয়া .৩১ একর ইঙ্খোল অসিগী পাটাদার হুইদ্রোম নিলমনি সিংহ পীতা মৃ: গোঞ্জাও সিংহ সাং লাংমৈদোং অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাটাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner গী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চৎথরগনি।

*Sd/-* **Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching : Manipur

HL-P/4717/08

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref. Mutation Case No. 05/SDC/NBL of 2026**

Hodam Memthoi Devi W/o (L) H. Jugindro Singh of Nambol Makha Leikai - Petitioner

-Vs-

(L) Hodam Jugindro Singh S/o (L) H. Iboton Singh of Nambol Bazar - O.P.

**/ NOTICE**

Date 07/01/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 09-Nambol Bazar Patta No. 38 (New) Dag No. 36 an area of 0.0055 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্ পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **B.C. to SDC,**
Nambol

HL-P/4721/08

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

**Ref :- Mutation Case No. 39/SDC/H Dt. 18/12/2025**

Wahengbam Ratan Singh S/o (Late) Wahengbam Mani Singh of Hiyanglam Awang Leikai ... Petitioner

- Vrs -

(Late) Wahengbam Mani Singh S/o (Late) Anganghal Singh of Hiyanglam Awang Leikai ... O.P. P.

**/ NOTICE**

Dated/Hiyanglam, the 07/01/2026

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি, ককচিং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং: 67-Hiyanglam পাট্টা নং 345 Ang (old) 911 (new) দাগ নং 2692/2816 গী এরিয়া .0898 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মিংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পিশিনবিরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Hiyanglam

HL-P/4726/08

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref. Mutation Case No. 02/SDC/NBL of 2026**

Chingakham (O) Hema Devi W/o (L) Ch. Shamungou Singh of Nambol Sabal Leikai - Petitioner

-Vs-

1) (L) Chingakham Shamungou Singh S/o (L) Ch. Chaoba Singh of Nambol Sabal Leikai
2) Chingakham (O) Hema Devi W/o (L) Shamungou Singh of - do - - O.P.

**/ NOTICE**

Date 02/01/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21-Kongkham, Patta No. 79 (O), 131/1269 (N) Dag No. 1213/2880 an area of 0.07 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃত্ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্ পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **B.C. to SDC,**
Nambol

HL-P/4721/08